## তৃনামুলনা চাওনা মায় পাক্লে

কোলকটা, দিসেম্বর ২১ (এজেন্সী): কোলকটা ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসনগী মীখলদা সিট ১৪৪ গী মনুংদা ১৩৪ ফংদুনা তৃনামুল কোংগ্রেসনা চাওনা মায় পাকখিবগা লোয়ননা চীফ মিনিষ্টর মমতা বেনর্জিনা মীয়ামদা থাগৎপা ফোঙদোকখ্রে।

তৃনামুল কোংগ্রেসপু কন্না চেলেঞ্জ তৌখিবা বি জে পিনা শুপ্নগী সিট ৩তমক ফংবা ঙমখি অমসুং কোংগ্রেস অমদি লেফট ফ্রন্টনা সিট ২/২খক ফংখি। ইণ্ডিপেন্দেন্ট কেন্দিদেটশিং সিট ৩ ফংখি। কুমজা ২০১৫গী মীখলদনা রুলিং তৃনামুল কোংগ্রেস সিট ১১৩ ফংদুনা সিট মশিং খ্বাইদগী য়াম্না ফংবা চহী ওইখিবনি। মতমদুদা বি জে পিনা সিট ৭ ফংখি অমসুং কোংগ্রেস অমসুং লেফটফ্রন্টনা সিট মথংশীৎনা ৫ অমদি ১৫ ফংখিবনি।

## মহৈরোয় নুপীমচা অনী দিটেন তৌখ্রে

চেন্নাই, দিসেম্বর ২১ (এজেন্সী): টামিল নাদুগী তিরুভাল্লুর দিষ্ট্রিক্তা মশাগী চহী ২১ শুরবা মহৈরোয় নুপা অমগী অশিবা হকচাং থেংনখিবগা মরী লৈননা পুলিসনা ক্লাস টেন তল্লিবী মহৈরোয় নুপীমচা অনী দিটেন তৌখ্রে।

পুলিসনা হৌজিক নুপীমচাশিং অসিগা মরী লৈনবা অশোক কৌবা মীওই অমা অমসুং মহাক্কী এসোসিএট অহুমসু থীরি হায়রি। নুপীমচাশিং অদু নিংথৌকাবা নুমিত্তা ফাখিবনি। লোকল মীওইশিংনা দিষ্ট্রিক্ত অদুগী ইচাংগাদু ভিলেজদা নুপা অমগী ঈ তৈরবা য়া অমসুং শম থেংনবদগী তিরুভাল্লুর পুলিসতা পাউ পীরক্লবা মতুংদা পুলিসনা অশিবা হকচাং অদু ফংখিবনি। ইনভেষ্টিগেসনদা পুলিসনা লৈখিদ্রবা মীওই অদুগী মোবাইল অমা ফংখি। মদুদা য়ূন্ফম ওইরগা পুলিস টিম অদুনা চিঙ্গালপাট্টু দিষ্ট্রিক্টতা লৈবা ক্লাস টেনগী মহৈরোয় নুপীমচা অনী ফাখিবনি।

## ওরিষাদসু ওমিক্রোন কেস অনী থেংনরে

ভুবনেশ্বর, দিসেম্বর ২১ (এজেন্সী): ওরিষাদসু অহানবা ওইনা ওমিক্রোন ভেরিএন্টকী কেস অনী থেংনরে। মীওই অনীমক মপান্দগী হল্লকখিবশিংনি অমসুং মখোয়গী হকচাংগী ফিভমদা অকায়বা অমত্তা লৈতে হায়না ওফিসল অমনা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা ফোঙদোরক্লি।

ষ্টেট দিরেক্টর, পব্লিক হেল্থ নিরঞ্জন মিশ্রানা হায়, জিনোম সিক্বেন্সিং চথবদা ওমিক্রোন পোজিটিভ কেস অনী থেংনখি। মীওই অমনা নাইজেরিয়াদগী হল্লকপনি অমসুং অতোপ্পা মীওই অদুনা কটারদগী হল্লকপনি। ওমিক্রোন পোজিটিভ ওইরবা মীওই অনীমক ভেরিএন্ট অসিগী রিস্ক লৈতবা লৈবাকশিংদগী হল্লকপশিংনি। মখোয় আইসোলেসন তৌদুনা লৈহল্লে।

# নুপীমচাশিংগ মহৈ মখা তানা তমথহন্নবা লুহোংবগী চহী হেনগৎহনগনি: নরেন্দ্র মোদি

প্রয়াগরাজ, দিসেম্বর ২১ (এজেন্সী): প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা হায়খ্রে মদুদি, মহাক্কী গভর্ণমেন্টনা নুপীমচাশিংগী লুহোংবগী চহী হেনগৎনবা ৱারেপ লৌরিবসি নুপীমচাশিংনা মখা তানা ষ্টদি তৌবা পাম্বদগীনি।



উত্তর প্রদেশকী দিষ্ট্রিক্ট ৭৫ মক্তগী নুপী লাখ ২.৭৫ না শরুক য়াবা রেল্লি অমদা ৱা ঙাঙলদুনা মহাক্না হায়খি, গভর্ণমেন্টকী ৱারেপ অসিবু ওপোজ তৌরিবা অমসুং নুপীমচাশিংনা মহৈ মখা তমথবা থিংবা পাল্লিবসি কনানো হায়বসি মীপূম খূদিংমক্না খঙনরে।

প্রাইম মিনিষ্টরনা মখা তানা হায়, উত্তর প্রদেশতা বি জে পিনা লৈঙাক্কী পৱার পায়দ্রিঙৈগী মমাঙদা 'মাফিয়া রাজ' অমসুং 'গুন্দা রাজ' লৈরম্মী। নুপীশিংনা হিংবদা অদুক্কী মতিক খুদোং চাখিদে, মদুদি মখোয় নীং তম্না চথোক চৎশিন তৌবা ঙম্লমদে। য়োগি অদিত্যনাঠনা অসিগুম্বা এলিমেন্টশিংগী মায়োক্তা অকনবা এক্সন লৌখৎলকপদগী ঙসিদি নুপীশিংনা নীংতম্না অমসুং সিক্যুর ওইনা চথোক-চৎশিন তৌবা ঙল্লে। য়ু পিদা হৌজিক সেফটি, সিক্যুরিটি অমসুং চাওখৎচবা য়াবগী মরম কয়া লৈরে। ষ্টেট অসি অতৈগা চাংদম্নবদা মনিংদা লৈররোই।

সেল্ফ হেল্প গ্রপশিং, বেঙ্ক সাখিশিং অমসুং কন্যসমুঙ্গলাগী বেনিফিসরিশিংদা শেল ট্রান্সফর তৌবগা লোয়ননা টেক-হোম-রসন প্লান্ট ২০২ উরেপ উয়ুংসু তমখিবা প্রাইম মিনিষ্টরনা হায়খি, স্কিমশিং অসি নুপীশিং ইম্পৱার তৌনবগীদমক্তনি। ঐহাক্না মমাঙদা বেঙ্ক সাখিশিং, এস ঐচ জি গ্রুপশিং অমসুং কন্য সুমাঙ্গলা য়োজনাগা ৱারী শানখি অমসুং মখোয় য়াম্না থাজনিংঙাই ওই হায়বসি খঙবা ঙমখি। হৌজিক মীপূম খূদিংমক্কী মাঙদা উরিবসি প্রুভ তৌবা মথৌ তাদে। মখোয়গী পুন্সিদা অহোংবা লাক্লিবসি ঐখোয়না উবা ফংলি, লৈবাক্কী মীয়াম্না মদু উবা ফংই।

প্রাইম মিনিষ্টরনা হায়, বেঙ্ক সাখি প্রোগ্রাম অসিনা নুপীশিংদা থবক্কী খুদোংচাবশিং হেনগৎহল্লি অমসুং য়ূমদা বেঙ্কিংগী খুদোংচাবা ফংহল্লি। লুপা ক্রোর ৭৫,০০০গী ত্রাঞ্জেক্সনশিং বেঙ্ক শাখিশিংগী খুত্থাংদা পাঙথোকখি।

টেক-হোম-সন প্লান্টশিংগী মতাংদা পল্লদুনা মহাক্না হায়খি, মসিনা নুপীশিং মচি ওইবা চীঞ্জাকশিং চাবা ফংহনবদা নত্তনা লৌমীশিংদা কান্নহনগনি। প্লান্টশিং অদুদা চঙগদবা হৱাই-চেঙৱাই পূম্বা লৌমীশিংদগী লৈগদৌরিবনি।

চাওখৎপগী খোঙজেল অমসুং নুপীশিংবু ইম্পৱার তৌবা হায়বসি হৌজিক্তি অপনবা লৈররোই। মসি য়ু পিনা উৎলবনি। সেল্ফ হেল্প গ্রুপশিংনা নুপীশিংবু 'আত্মানিভার' ওইহল্লে হায়না পল্লদুনা প্রাইম মিনিষ্টরনা হায়খি, মহাক্কী গভর্ণমেন্টনা নুপীশিংদা কান্নগদবা খোঙথাং কয়া লৌখৎলে।

মুসলিম ইচল-ইচাশিংগীদমক ঐখোয়না ত্রিপল তলাককী চৎনবী মুথৎলে। রেপ কেসশিংগী ফাষ্ট ট্রেক কোর্ট ৭০০ হেন্না লিংখৎলে অমসুং নুপীশিংনা মাইনিং সেক্টরদা থবক তৌবদা অথিংবা লৈরম্বদুসু লৌথোক্লে।

ইমা গঙ্গা, য়মুনা অমসুং সরাস্বতি চেল্লিবা প্রয়াগরাজ অসি নুপীশিং মতিক ময়াই লৈবগী সিম্বোলনি হায়নসু প্রাইম মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখি।

# অষ্ট্রাজেনেকাগী কোভিদ ভেক্সিন থা ৩ মতুংদা ময়াই হন্থরকই: লান্সেট

ন্যু দেল্লী, দিসেম্বর ২১ (এজেন্সী): ইন্দিয়াদা কোভিসিল্ড হায়না মমিং থোনবা ওক্সফোর্দ-অষ্ট্রাজেনেকাগী কোভিদ-১৯ ভেক্সিননা পীরিবা প্রোটেক্সন অসি দোজ অনী কাপ্লবা মতুং থা অহুম লৈরগা হন্থরকই হায়না জর্নেল-লান্সেটতা ফোঙবা ষ্টদি অমনা হায়রি।




য়ুনিভর্সিটি ওফ ইদিনবর্গনা লুচিংবা রিছার্চর টিম অমনা হায়, মতম শাংথনা অকনবা লায়নাদগী ঙাকথোকপা ঙম্নবা বুষ্টর প্রোগ্রামশিং মথৌ তাই হায়বসি ফাইন্দিংশিংদুনা উৎলি।

স্কোটলেন্দ অমসুং ব্রাজিলগী রিছার্চরশিংনা ওক্সফোর্দ-অষ্ট্রাজেনেকাগী ভেক্সিন কাপ্লবা স্কোটলেন্দগী মীওই মিলিয়ন অনী অমসুং ব্রাজিলগী মীওই মিলিয়ন ৪২গী দেটা এনালাইসিস তৌখি। ওক্সফোর্দ-অষ্ট্রাজেনেকাগী ভেসিক্সন অসি অদেনোভাইরস অমা শীজিন্নরগা শাবনি। মরু ওইনা চিম্পাঞ্জিদগী লৌবা কম্মন কোল্ড ভাইরস অমা শীজিন্নরগা ইম্ম্যুন সিষ্টেমবু ভাইরস অসি থেংনহনবনি।

স্কোটলেন্দদা অনীশুবা দোজ কাপ্লবা মতুং চয়োল অনীগী মতমদা লাকপা ফিভমগা চাংদম্নবদা দবল ভেক্সিনেসন তৌরবা মতুং থা মঙারোম লৈরগা কোভিদ-১৯না শিহনবা নৎত্রগা হোস্পিটালাইজ তৌবা য়াবগী চান্স শরুক মঙা হেনগৎপা উখি।

এক্সপর্টশিংদুগী মতুং ইন্না, ভেক্সিনগী ইফেক্টিভনেস নৎত্রগা প্রোটেক্সন হন্থবা অসি অহানবদা থা অহুমরোম লৈরগা হৌরকই। মতম অদুদা হোস্পিটালাইজেসন অমসুং শিবা য়াবগী রিস্ক অনীশুবা দোজ কাপ্লবা মতুং চয়োল অনীখক কান্নরগা লৈরকপা ফিভমদুদগী শরুক অনী হেনগৎলি। ব্রাজিলগী মীওইশিংদসু মান্নবা মশিংশিং উবা ফংখি।

য়ুনিভর্সিটি ওফ ইদিনবর্গকী দিরেক্টর প্রোফেসর অজিজ শৈখনা হায়, পেন্দমিক অসি থেংনবদা ভেক্সিনশিংনা মরু ওইবা খূৎলায় অমা ওইরক্লি। তৌইগুম্বসুং মখোয়গী মতিক ময়াই হন্থরকপা অসি ঐখোয়দা নুংঙাইতবা খরা লৈহল্লি। ওক্সফোর্দ-অষ্ট্রাজেনেকাগী ভেক্সিন অসি করম্বা মতমদা ময়াই হন্থরকপগে হায়বসি খঙদোক্লবদি গভর্ণমেন্টশিংনা মেক্সিমম প্রোটেক্সন লৈহনগদবা বুষ্টর প্রোগ্রামশিং দিজাইন তৌবা ঙমগনি।

বুষ্টর কাপ্পা য়াবা মীশক ওইরগা হৌজিক ফাওবা কাপত্রিবা ওইরবদি য়াম্না থুনা বুক তৌবীগদবনি হায়না প্রোফেসর শৈখনা মখা তাখি।

চৈরকসিদা, হন্দক্তা পুনেদা লৈবা বি জে পি গভর্ণমেন্ট মেদিকেল কোলেজ (বি জে এম সী) অমসুং সাসুন হোস্পিটালনা লুচিংদুনা পাঙথোকখিবা ষ্টদি অমদা হেল্থক্যের ৱর্কর ৫০০ কোভিসিল্ডগী দোজ অনী কাপ্লবা মতুং থা অহুমদগী তরেৎ ফাওবা কোভিদ-১৯দগী ঙাকথোকপা ঙম্বগী চাং ৱাংনা লৈ হায়বসি খঙবা ঙমখি হায়রি।

# আই এ এফ ভেটরন হাৎপগী মরাল শীখ্রবা মীওই টেলঙ্গানদগী ফারে

ন্যু দেল্লী, দিসেম্বর ২১ (এজেন্সী): নেসনল কেপিটেলদা লৈবা থবক্তগী পোত্থারবা ইন্দিয়ন এয়র ফোর্সকী ভেটরন অমা হাৎপগী মরাল শীখ্রবা মীওই অমা দেল্লী পুলিসনা টেলঙ্গনাদগী ফারে হায়না লৈবাকপোকপা নুমিৎতা ওফিসল অমনা ফোঙদোরক্লি।

ওফিসল অসিগী মতুং ইন্না, বিহারদগী ভুল্লু সিংহ কৌবা একুজ অদু দিসেম্বর ১৫দা সাইরবাদ, হাইদরবাদ, টেলঙ্গানাদগী ফাখি।

কেস অদুগী অকূপ্পশিং পল্লদুনা দি সী পি (সাওথ ৱেষ্ট) গৌরভ শর্ম্মনা হায়, মহিপালপুরদা লৈবা হোটেল অমগী মপু ওইরিবা ইন্দিয়ন এয়র ফোর্সকী ভেটরন কৃষ্ণন পাল সেহরাৱাটপু হাৎপগী মতাংদা হৌখিবা ওক্টোবর ৩০দা ভসন্ত কুঞ্জ নোর্থ পুলিস ষ্টেসনদা রিপোর্ট তৌখি। লৈখিদবা মীওই অসি মহিপালপুরগী মী কূংনা তাবা এরিয়াদা মহাক্কী হোটেল অমসুং ময়াম্বগী য়ূম মমাঙদা নোংমৈনা কাপ্লগা হাৎখিবা ওইবনা থৌদোক অদুনা মফম অদুগী মীওইশিংবু থম্মোয় শোকহনখি। মতুং তাবদা চেন্নবা মীওইশিং ফাননবা পুলিস টিম অমা শেমখি অমসুং নভেম্বর ১০ ফাওবদা সস্পেক্ট কয়া ৱাহং পাউহং তৌনবগীদমক ফাখি।

ইনভেষ্টিগেসনদা রোসন লাল কৌবা মীওই অমনা কিশন পাল সেহরাৱাটকী হোটেল লিজদা ওপরেট তৌরম্মী হায়বসি খঙখি। মখোয়নি য়েৎনরকপদগী রোসন লালবু সেহরাৱাটনা হোটেল তৌবা লেপহনখি। থৌওং অদুবু লমন খুন্নবা হোৎনরদুনা রোসন লালনা সিৱান (বিহার)গী শাথিরবা ক্রিমিনেল ভুল্লুবু নেকখি অমসুং থবক্তগী পোত্থারবা আই এ এফ ওফিসর অসিবু হাৎহনখি।

একুজ ভুল্লুনা মহাক্কী এসোসিএটশিং কন্টেক্ট তৌবদা মহৌশাগুম্না মহাক্কী মোবাইল ফোন সিম শীজিন্নবগী মহুত্তা ইন্সটাগ্রাম, মেসেঞ্জর অমসুং ৱাটসঅপ কুম্বা সোসল মীদিয়া প্লেটফোর্মশিং শীজিন্নখি।

মীহাৎ অদু পাঙথোক্লবা মতুংদা মহাক দেল্লীগী রানিখেদাদা ট্রেক তৌখি। মদুগী মতুংদা মহাক হরিয়ানাগী ফরিদবাদতা, মথংদা বিহারগী সিৱানদা অমদি য়ু পিগী সিতাপুরদা ট্রেক তৌখি। তৌইগুম্বসুং পুলিসনা ফাবা ঙমদনবা মহাক মফম অমদগী অমদা লেপ্তুনা হোংখি। মমৈথংদা মহাক সাইবরবাদ, হাইদ্রবাদ (টেলঙ্গনা)দা ট্রেক তৌখি অমসুং ফাখি। পুলিসকী মতুং ইন্না একুজ অসি মী হাৎপা, মী হাৎনবা হোৎনবা, আর্মস এক্ট অমসুং এক্সটোর্সনগী কেস তরুক্তা চেন্নখি।

# পি এম মোদি মালেমগী লীদরনি: গোৱা সী এম

পানাজি, দিসেম্বর ২১ (এজেন্সী): প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা হন্দক্তা পোপ ফ্রান্সিসকা উনখিবা মতাংদা গোৱাগী সী এম প্রমোদ সৱান্তনা হায়খ্রে দুদি, পি এম অসি হিন্দু লীদর অমা ওইবদা নত্তে, তৌইগুম্বসুং লৈবাক্কী অমসুং মালেমগী লীদর অমনি।

এজেন্সীদা ৱা ঙাঙলদুনা সৱান্তনা হায়খি, প্রাইম মিনিষ্টর মোদি অমসুং ইন্দিয়ানা 'সর্ভা ধর্ম্ম সামাভাভ (লাইনিং লম্বী খূদিংমক মান্নে) হায়বসিদা থাজে অমসুং মখোয়নিগী মীটিং অদু মান্নবা ফিলোসোফি অসিদা য়ূম্ফম ওইখি।

হন্দক্তা য়ুরোপ্তা খোঙচৎ অমা চৎখিবদা প্রাইম মিনিষ্টর মোদিনা ভেটিকানদা পোপ ফ্রান্সিসকা উনখি অমসুং ইন্দিয়াদা লাক্নবা ইনভাইট তৌখি।

মথং চহীদা পাঙথোক্কদৌরিবা গোৱা এসেমব্লি মীখলগী মাঙওইননা প্রাইম মিনিষ্টরনা পোপকা উনরিবদুনা বি জে পিবু কান্নহনবা য়াই হায়না মীওই কয়ানা থাজরিবনি। ষ্টেট অসিগী ইলেক্টোরেট অপূম্বগী চাদা ২৬তি খৃষ্টানশিংনি অমসুং মেম্বর ৪০ লৈবা ষ্টেট এসেমব্লিগী কন্সটিট্যুএন্সি ১৩দা খৃষ্টানশিংনা দোমিনেট তৌরি হায়বা য়াই। খোঙচৎ অসিনা বি জে পিবু কান্নহনগদ্রা হংবদা সৱান্তনা হায়, পি এমনা ভেটিকানদা চৎখিবদু বি জে পিদা কান্ননবনি নৎত্রগা কান্নদনবনি হায়না ঐহাক্না খন্দে।

# দেল্লীগী ওমিক্রোন পোজিটিভ কেস ৩ ত্রাভেল হিষ্ট্রি লৈতে

ন্যু দেল্লী, দিসেম্বর ২১ (এজেন্সী): দেল্লীদা হৌজিক ফাওবদা ওমিক্রোন ভেরিএন্ট কেস ৩৪ থেংনবগী মনুংদা অহুমদি লম চৎপগী হিষ্ট্রি লৈতে হায়না দেল্লীগী হেল্থ মিনিষ্টর সত্যেন্দ্র জেননা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা ফোঙদোকখ্রে।

সিটি অসিগী লোক নায়ক জয় প্রকাশ হোস্পিটালদা লৈরিবা ওমিক্রোন পোজিটিভ কেসশিংগী মনুংদা কেস অহুম ত্রাভেল হিষ্ট্রি লৈতে অমসুং মখোয় মপান্দা চৎলুবশিং নত্তে।

লায়েংনবগীদমক দেল্লী গভর্ণমেন্টনা অহেনবা প্রাইভেট হোস্পিটাল অহুম হাংদোকখ্রবা মতুংসিদা হোস্পিটাল অসিদা নত্তনা অতৈ হোস্পিটালশিংদসু অহেনবা কেস খরা লৈরম্বা য়াই। হোস্পিটালশিং অসিগী দেটাসু খোল্লি। হোস্পিটাল অসিদগী মীওই ১৭ দিসচার্জ তৌরে।

অদুম ওইনমক, য়ুনিয়ন হেল্থ মিনিষ্ট্রিনা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা ষ্টেটমেন্ট অমদা হায়রি মদুদি হৌজিক ফাওবদা নেসনল কেপিটেলদা ওমিক্রোন ইনফেক্সনগী কেস ৫৪ থেংনরে।

মিনিষ্ট্রি অসিগী মতুং ইন্না, অনৌবা কোভিদ ষ্টেন অসিগী কেস মশিং লৈবাক অসিদা ২০০ হেল্লে। মখোয়গী মনুংদা পেসেন্ট ৭৭ রিকোভর তৌরে। মহারাষ্ট্রা অমসুং দেল্লীদা হৌজিক ওমিক্রোন ভেরিএন্টকী কেস ৫ মশিং চপ মান্ননা ৫৪ লৈরে। টেলঙ্গনাগী ওমিক্রোন কেস মশিং ২০নি। কর্নাটকাগী কেস ১৯ নি, রাজস্থানগী কেস ১৮, কেরেলাগী ১৫ অমসুং গুজরাটকী কেস ১৪নি।

দেল্লীদা ওমিক্রোন ইনফেক্সন লেপ্তুনা হেনগৎলকপদগী হৌজিক কোভিদ পোজিটিভ সেম্পল পূম্নমক জিনোম সিক্বেন্সিং তৌনবা থারগনি হায়না দেল্লী গভর্ণমেন্টনা নিংথৌকাবা নুমিৎতা লাউথোকখ্রে।

কেস খূদিংমক জিনোম সিক্বেন্সিং চত্থনবগী এরেঞ্জমেন্ট মতিক চানা ঐখোয়দা লৈ হায়না দেল্লীগী হেল্থ মিনিষ্টর জেননা ফোঙদোকখি।

## মোক দ্রিল পাঙথোক্লগনি

লক্ষ্ণৌ, দিসেম্বর ২১ (এজেন্সী): উত্তর প্রদেশকী চীফ সেক্রেটরি রাজেন্দ্রকুমার টিৱারিনা ষ্টেট অসিগী কম্মিস্নরশিং অমসুং দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেটশিংদা হেল্থ ফেসিলিটিশিংদা মোক দ্রিলশিং কন্দক্ট তৌনবা দিরেক্সন পীখ্রে।

খোঙথাং অসি লৈবাক অসিদা ওমিক্রোনগী কেস লেপ্তুনা হেনগৎলক্লিবা অসি য়েংদুনা কোভিদ থেংননবা শেম-শাবগী ফিভম য়েংশিন্নবগীদমক্তনি। মসিনা ষ্টেট অসিগী হোস্পিটালশিংদা বেদ, ইক্বিপমেন্ট, ওক্সিজেন অমদি ভেন্টিলেটনরনচিংবশিং ফংবগী ষ্টেটস লেপ্পা ঙমহনগনি।

দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেট পূম্নমক্না মশা চৎতুনা হোস্পিটালশিং ইন্সপেক্সন তৌগদবনি অমসুং লৌখৎফম থোকপা খোঙথাংশিং লৌখৎকদবনি হায়না চীফ সেক্রেটরিনা খঙহনখি।

WE SUPPORT (PROF.) DR. NIMAICHAND LUWANG



ঐখোয়গী লৈবাক্কী Prime Minister Shri Narendra Modi গী লৈঙাক্না ইন্দিয়াগী প্রজাশিংগীদমক্তা পায়খৎলক্লিবা তোঙান-তোঙানবা চাওখৎ থৌরাংগী Scheme কয়া প্রজাশিংগী মফমদা পাক-শন্না খঙহনবা অমদি মদুবু মায় পাক্লবগী খোঙজংদা য়াওশিন্নবগী পান্দমদা Prof. Dr. Nimaichand Luwang গী লমজিং মখাদা 32-Wangkhem Assembly Constituency গী Polling Station No. 32/11-Hayel Labuk Maning Leikai Ward A গী নুপীশিংতগী ওইবা মেম্বর 43 না শাবা Women Volunteer Group/Committee অমা শেমজরে।

ঐখোয়গী Group অসিনা India গী Prime Minister Shri Narendra Modi বু তৌবিমল খঙবা উৎপা অমদি Support তৌবা ফোঙদোকচবগা লোয়ননা ২০২২গী February থা ফাওবদা পাঙথোক্কনি হায়নরিবা 12-Manipur Assembly গী Election দা 32-Wangkhem Assembly Constituency দা মীয়ামগী মীহুৎ ওইনবা থৌরাংজরিবা Prof. Dr. Nimaichand Luwang বুসু পুকচেল শেংনা Support তৌজরি।

Support তৌজরিবশিং :- Nasima

HL-P/0998/22

**IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR; NAMBOL**

**Ref. Mutation Case No. 352 /SDC/NBL of 2021**

Ngangom Samson S/o (L) Ng. Sanayaima Singh of Langpok Makha Leikai ... Petitioner

-Vs-

(Late) Ngangom Sanayaima Singh S/o (L) Ng. Mohon Singh of Langpok ... O.P.

**NOTICE**

Dtd. 21-12-2021

Under Section 46(3) MLR & LR Act. 1960 গী মতুং ইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি, মদুদি Village No. 8-Kakyai, Patta No. 133 (Old) 439 (New) Dag No. 177 an area of 0.38 acres of Anganphou Class হায়রিবা অঙনফৌ অসিগী পাট্টাদার মৃতু ওইখ্রে। মরম অদুনা মৃতু পাট্টাদার মমিং কব্লগা দংকারিনা মাগী মমিংদা নামা পানবীরো হায়দুনা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা লৌফম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎনিংবা (Objection) লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিত্তগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্কুনা য়েৎপীরবা য়াগনি। মসিগী মতুংদা লাকপা ৱাকৎ কোর্ট অসিনা লৌররোই। কোর্টকী হৌনবী মতুং ইন্না কেস মখা চত্থখ্রগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector,** Nambol

HL-P/1017/22

No. 104/4/2021-DHS
GOVERNMENT OF MANIPUR
**MEDICAL DIRECTORATE**

**NOTIFICATION**

Imphal, the 20th December, 2021

In continuation to this Directorate Notification of even No. dated 4th December, 2021, **all the candidates in the merit list of GNM/ANM courses, 2021** are hereby informed to report at 8:30 a.m. for the 2nd counselling to be held on 29th December, 2021 at Medical Directorate, Lamphel. Details can be seen at our official website: www.manipurhealthdirectorate.in

Sd/- **Director of Health Services, Manipur**

HL-P/1013/22

**IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, HIYANGTHANG**

**Ref. Mut. Case No. 410/SDC/IW (H) of 2021**

1. Soibam Lilakamal Singh S/o Late Amuba Singh of Wangkhei Palace Compound (0.38 acre)
2. Soibam Brajakumar Singh S/o Manao Singh of Keishamthong Top Leirak (0.15 acre)

- Petitioners/দংকারী

-Vrs-

Late Soibam Naba Singh S/o Late Amuba Singh of Ningombam - O.P./ বিবাদি

**NOTICE**

Dated/Hiyangthang, 21st Dec. 2021

Under Section 46(3) MLR & LR Act. 1960 Petitioner গী মতুং ইন্না খঙহল্লি মদুদি ই: ও: খুল ৪ নং-নিঙোম্বম, অনৌবা পাট্টা ২৮৯/১১১৫ নং হাল দাগ ১৪০৬ নং গী মোট এরিয়া ০.৫৩০০০ একর চাওবা ইংখোলগী পাট্টাদার সোইবম নবা সিংহ মৃ: ওইখ্রে। মৃ: পাট্টাদারগী মনাও নুপা অমদি মচানুপা দংকারীশিংনা মখোয়গী মিংদা নামজারী তৌবীয়ু হায়দুনা উক্তা কোর্টতা দরখাষ্ট থারক্লে। পাট্টাগা মরী লৈনবা য়েৎনিংবা মীওইশিংনা লাক্লিবা ২৮/১২/২০২১ ইং, ফাওবগী মনুংদা কোর্ট অসিদা লাক্কুনা আপতি তৌবা য়াগনি। পীরিবা নুমিৎ অসিদগী হেল্লবদি মখা তাবা ৱাকৎ তাররোই। হৌনবী মতুং ইন্না থবক মখা চত্থরগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector,** Imphal West, Hiyangthang

HL-P/1015/22

**MANIPUR UNIVERSITY**

**TENDER NOTICE**

Dated 20th December, 2021

**No. : MU/FIN/EQUIP/19/(Pt.1):** Department of Zoology, Department of Chemistry, Manipur University invites sealed tenders for procurement of equipments and consumables. Details available at the University website www.manipuruniv.ac.in.

**Sd/- David K. Zote**
Purchase Officer,
Manipur University, Canchipur

HL-B/7377/22

**IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, HIYANGTHANG**

**Ref. Mut. Case No. 408/SDC/IW (H) of 2021**

1. Yumnam Anandro Singh S/o Ibopishak Singh of Kodompokpi Mamang Leikai (0.67 acre of Dag No. 1329)
2. Yumnam Dhababir Singh S/o Yumnam Birchandra Singh of Kodompokpi Mamang Leikai (0.29 acre of Dag No. 1228)
3. Yumnam Tejkumar Singh S/o Birchandra Singh of Kodompokpi Mamang Leikai (0.29 acre of Dag No. 1228)

- Petitioners/দংকারী

-Vrs-

Late Yumnam Mangi Singh S/o Late Aber Singh of Kodompokpi Mamang Leikai - O.P./ বিবাদি

**NOTICE**

Dated/Hiyangthang, 21st Dec. 2021

Under Section 46(3) MLR & LR Act. 1960 Petitioner গী মতুং ইন্না খঙহল্লি মদুদি ই: ও: খুল ৫ নং-কোদোমপোপী, অনৌবা পাট্টা ৫১৮ নং হাল দাগ ১৩২৯ অমসুং ১২২৮ নং গী মোট এরিয়া ১.২৫ একর চাওবা অঙনফৌ/ফৌরেল লৌফমগী পাট্টাদার য়ুম্নাম মঙ্গি সিংহ মৃ: ওইখ্রে। মৃ: পাট্টাদারগী মশুনুপাশিং/দংকারীশিংনা মখোয়গী মিংদা নামজারী তৌবীয়ু হায়দুনা উক্তা কোর্টতা দরখাষ্ট থারক্লে। পাট্টাগা মরী লৈনবা য়েৎনিংবা মীওইশিংনা লাক্লিবা ২৮/১২/২০২১ ইং, ফাওবগী মনুংদা কোর্ট অসিদা লাক্কুনা আপতি তৌবা য়াগনি। পীরিবা নুমিৎ অসিদগী হেল্লবদি মখা তাবা ৱাকৎ তাররোই। হৌনবী মতুং ইন্না থবক মখা চত্থরগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector,** Imphal West, Hiyangthang

HL-P/1015/22

**IN THE COURT OF ASST. SURVEY & SETTLEMENT OFFICER, KAKCHING**

**Ref. Mutation Case No. 718/AS & SO VI/K** 15-12-21

1. Mayanglambam Rajkumar Singh S/o Late Prem Singh of Kakching Wairi Sabal Leikai
2. - do - Norendro Singh S/o Late Ibohal Singh of - do -
3. - do - Sarju Singh S/o Late - do - of - do -
4. - do - Premjit Singh S/o Late - do - of - do -
5. - do - Lukhoi Singh S/o Late Gora Singh of - do -

-Vs-

Mayanglambam Omor Singh S/o Late Mitlang Singh of Kakching Wairi

**NOTICE**

20-12-21

Under Section 46(3) MLR & LR Act. 1960 গী মতুং ইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি মথক্তা পল্লিবা পিটিস্নরশিংনা তহশিল খুন নং ৬২-ককচিং ৱাইরি পাট্টা নং ২৪০ (অরিবা) ৫৪১ (অনৌবা) দাগ নং ৩৪১৯ এরিয়া .১৮ (একর) ইংখোল অসিগী পাট্টাদার ময়াংলম্বম ওমোর সিংহ পীং: মৃ: মিৎলং সিংহ সাং ককচিং ৱাইরি অসি মৃতু ওইখ্রে। মরম অসিনা মৃ: পাট্টাদারগী মিং ককথৎপীরগা পিটিস্নরশিংগী মিংদা নামা পানবীরো হায়না উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট অমা থাররে। মরম অদুনা ইংখোল অসি নামা পানখিবদা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি নোটিশ অসিনা ফোঙবা নুমিত্তগী পারগা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা উক্তা কোর্ট অসিদা অইবা চে পীশিনবীগদবনি অমদি মশা হাজির তৌবীগদবনি। মসিগী মতুংদা লাকপা আপতি লৌররোই কেস মখা চত্থরগনি।

**Sd/- Asst. Survey & Settlement Officer,** Kakching

HL-P/1012/22

**IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR; BISHNUPUR**

**Ref. Mutation Case No. 185/SDC/Bishnupur, 2021**

Haojam Tomba Singh S/o (L) Parijat Singh of Bishnupur Thiyam Leikai Ward No. 8 - Petitioner

-Vs-

Haojam Parijat Singh S/o (L) Jati Singh of Bishnupur Ward No. 8 - O.P.

**NOTICE**

Bishnupur, the 21-12-2021

Under Section 46(3) MLR & LR Act 1960 গী মতুং ইন্না খঙহল্লি মদুদি Haojam Parijat Singh S/o (L) Jati Singh of Bishnpur Ward No. 8 দা লৈবগী মিংদা পানবা খুল নং 37-Bishnupur পাট্টা নং 791/1297 (অনৌবা) সী: এস: দাগ নং 1589 গী 0.625 চাওবা ফৌরেল অসি পাট্টাদার মশা মৃতু ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী Petitioner গী মিংদা নমা ওনবীরো হায়না দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা লম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বশিংনা আপতি তৌনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেনা দরখাষ্ট থারক্কদবনি মতুংদা লাকপা ৱাকৎ লৌরোই কেস মখা চত্থগনি।

Sd/- **Sub-Deputy Collector,** Bishnupur

HL-P/1016/22

**IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, HIYANGTHANG**

**Ref. Mut. Case No. 409/SDC/IW (H) of 2021**

1. Yumnam Anandro Singh S/o Ibopishak Singh
2. Yumnam Sanajaoba Singh S/o Ibopishak Singh both of Kodompokpi Mamang Leikai

(1 & 2 area 0.13/0.13 acre on the East portion)

3. Yumnam Dhanabir Singh S/o Yumnam Birchandra Singh
4. Yumnam Tejkumar Singh S/o Birchandra Singh both of Kodompokpi Mamang Leikai

(3 & 4 area 0.13/0.13 acre on the Western portion)

- Petitioners/দংকারী

-Vrs-

Late Yumnam Mangi Singh S/o Late Aber Singh of Kodompokpi Mamang Leikai - O.P./ বিবাদি

**NOTICE**

Dated/Hiyangthang, 21st Dec. 2021

Under Section 46(3) MLR & LR Act. 1960 Petitioner গী মতুং ইন্না খঙহল্লি মদুদি ই: ও: খুল ৫ নং-কোদোমপোপী, অনৌবা পাট্টা ১৮৪/৫৮৫ নং হাল দাগ ১৪৩৯ নং গী মোট এরিয়া ০.৫২ একর চাওবা ইঙ্খোলগী পাট্টাদার য়ুম্নাম মঙ্গি সিংহ মৃ: ওইখ্রে। মৃ: পাট্টাদারগী মশুনুপাশিং/দংকারীশিংনা মখোয়গী মিংদা নামজারী তৌবীয়ু হায়দুনা উক্তা কোর্টতা দরখাষ্ট থারক্লে। পাট্টাগা মরী লৈনবা য়েৎনিংবা মীওইশিংনা লাক্লিবা ২৮/১২/২০২১ ইং, ফাওবগী মনুংদা কোর্ট অসিদা লাক্কুনা আপতি তৌবা য়াগনি। পীরিবা নুমিৎ অসিদগী হেল্লবদি মখা তাবা ৱাকৎ তাররোই। হৌনবী মতুং ইন্না থবক মখা চত্থরগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector,** Imphal West, Hiyangthang

HL-P/1015/22